**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 31-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা হৌজিক ফাওবদা মংকি পোক্সকী কেস থেংনদ্রি, মীয়ামা মীপাইবীগনু হায়না রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা আপীল তৌরি।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- শান্তিগী খোঙচৎকী মীংদা ঐখোয়গী ফুরুপকী মীওইশিংবু অতমনা শিংনরকপা অসি অফবা খুদম নত্তে।

৩) চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী জিলাদা ঙসি মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

৪) শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা হায়রি- রাজ্য অসিদা হৌজিক তপা তপা শান্তি হুঞ্জিল্লকপা হৌরে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- নুপী-অঙাংশিংবু অশোই অঙাম থোকহন্দবা হায়বসি ঙসিগী খুন্নাই অসিগী য়ামা মরুওইবা ৱাফম অমা ওইরি।

------

এম-পোক্স (এল)ঃ রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা হায়রি- মণিপুরদা হৌজিক ফাওবদা এম-পোক্স হায়রগা খঙনবা মংকি পোক্সকী কেস অমত্তা থেংনদ্রি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী ষ্টেট সার্ভিলেন্স ওফিসার ডাঃ এস. গোপাল সিংহনা অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা হায়- ভারত্তা হৌজিমক্কী

ওইনা এম-পোক্সকী কেস অমত্তা থেংনদ্রি। সোসিয়েল মিদিয়াদা মীয়ামা এম-পোক্সনি চিংনবা কেস জিরিবামদা থেংনরে হায়রিবা অসিগী চপ চাবা প্রমান লৈত্রি। মহাকা হায়- দরমাতোলিজিষ্টশিংগা কুপা খন্নবদা অঙাং অহুমদা থেংনরিবা কেস অসি ইমপিতাইগো হায়বা উনশাদা থোকপা লায়না অদু ওইরম্বা য়াই। ডাঃ গোপালনা হায়- অঙাং অহুমগী সেম্পল লৌরবা মতুং গুৱাহাতি মেদিকেল কলেজদা থাদুনা মসিগী চবা লাইওং খঙদোকবা হোৎনরি। মহাকা হায়- এম-পোক্স মণিপুরদা য়ৌরকপা য়াবগী চাং য়ামা নেম্মী। অঙাং অহুমগী মনুংদা অঙাং অনি অমদি অসামগী ইমুং অমগী মীওইশিংনি অদুগা অঙাং অমনা জিরিবামদগীনি। অদুনা মীয়ামা মীপাইবীদনবা রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা আপীল তৌরি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা এম-পোক্সকী মতাংদা ভাইরেল ওইরক্লিবা অসিগী মতাংদা ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- হৌজিকমক্কী ওইনা কেসশিং অসি এম-পোক্সনি হায়বা চপ চানা খঙবা লৈত্রি। ফমুং ৫০ লৈবা জিরিবাম হোস্পিতালগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ইনচার্জ ডাঃ ই. ওকেন্দ্রোনা হায়- হৌজিকমক্কী ওইনা জিরিবামদা উনশাগী তমথিবা লায়না শন্দোরকপগী ৱাফম লৈতে।

মরক অসিদা, নোনে জিলাদা এম-পোক্সকী কেস থেংনরে হায়বা তোকঙা অমা সোসিয়েল মিদিয়াগী খুথাংদা শন্দোরক্লিবা অসি অরানবনি হায়না জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

সিএম (এল)ঃ বি.জে.পি মণিপুরগী মচিন চৎপা মীশক মাইকেল লমজাথাং হাওকিপগী মপা মমাগী য়ুম ঙসি অহুল্লক শুবা ওইনা মৈ থারম্বগী থৌদোক অদুবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- শান্তিগী খোঙচৎকী মীংদা ঐখোয়গী ফুরুপকী মীওইশিংবু অতমনা হঞ্জিন হঞ্জিন শিংনরকপা অসি অফবা খুদম নত্তে। অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা খাঙদুনা লৈবা ঙমলোই। মহাকা হায়-থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং মতিক চাবা চৈরাক

পীনবা হোৎনগনি। মসিগী মথক্তা হান্ননা চেকশিন্নবা খঙহনখ্রবা ফাওবদা মতিক চানা সেক্যুরিতি  পীবা ঙমদবা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তসু থবক লৌখৎকনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোক্লি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোং সব-দিভিজনগী মনুং চনবা পেনিয়েল খুলদা লৈবা বি.জে.পি মণিপুরগী মচিন চৎপা মীশক অসিগী য়ুম মৈ থারম্বগী থৌদোক অদু খুদক্তা থিজিন্নবা অমসুং হেক য়ারিবা মখৈ অথুবা মতমদা রিপোর্ট পীখৎলকবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা জিলা অসিগী এস.পিদা খঙহনখ্রে।

নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন, সেনাপতিগী মীহুৎ কাংবু অমনা মুখ্য মন্ত্রিগা ঙসি উন্নখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নবা অদুদা মফম অদুগী হৌজিক মায়োকরিবা মহৌশাদগী লৈরক্লবা ফুরুপশিংগী য়াইফনবা অমসুং চাওখৎনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

রেল্লি (এল)ঃ  চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী জিলাদা ঙসি মীয়ামগী অচৌবা রেল্লি চৎখ্রে। চুরাচান্দপুরদা মহৈরোই লুপশিংনা শিনবা রেল্লি অদু লৈশাংদা লৈবা এঙ্গলো কুকি ৱার সেন্তিনারি গেটতগী হৌরগা ৱাল ওফ রিমেম্বরেন্স, তুইবোংদা লোইশিনখি। তুইবোংদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা খুলগী লুচিংবশিং অমসুং সি.এস.ও লুচিংবশিংনা ৱা ঙাংখি। হৌজমক্কী ওইনা পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ লৈতে।

কাংপোকপী জিলাদনা মহৈরোই লুপশিংনা শিনবা মীয়ামগী রেল্লি অদু কৈথেলমানবী মিলিটরি কোলোনিদগী হৌরগা কাংপোকপী ফাওবা চৎখি। রেল্লি অসিগী য়েংলগা জিলা অনিমক্তা ঙরাংদগী হৌনা ঙাক শেনবগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

অমরেমদা, ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা মণিপুর তম্পাক্কী জিলাশিংদা লৈবা মরুওইবা কৈথেলশিং ঙসি শিন্থা লেপ্পগী খোঙজং চংশিনখি। কৈথেল অমসুং দুকানশিং হাংবগী চাং য়ামা নেমখি। লম্বীদা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ি চেনবগী চাংসু হন্থখি।

বসন্তা (এল)ঃ    শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা হায়রি- রাজ্য অসিদা হৌজিক তপা তপা শান্তি হঞ্জিল্লকপা হৌরে। মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী লুচিং মখাদা লৈঙাক অসিনা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকবা লেপ্লা লৈতনা হোৎনরি।

নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুং চন্না খাথোঙ মখা লৈকাইদা ঙসি নৌনা শাবা কৈথেল অমা মীয়ামদা খুৎশিন্নবগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা পোপি থাবা থিংবা অমসুং আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপা থিংনবা হোৎনরুবদগী মীয়াম মরক্তা ভাব তান্নদবা লৈখি। ওইরিবা ফিভম অসিদা কনাগুম্বা খরনা রাজনীতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবীগনু হায়না মহাকা মখা তাখি।

কংগ্রেস (এল)ঃ    মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হৌদোকখিবা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং (সি.এম.ঐচ.টি)গী মখাদা পীরিবা খুদোংচাবশিং প্রাইভেট হোস্পিতালশিংদা সেপ্তেম্বর ৩০ দগী পীররোই হায়বা মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা লৌখিবা ৱারেপ লাইবক থিবনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী মাইকৈদগী ফোংদোরক্লি।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এম.পি.সি.সিগী ৱাঙাংলোই অমদি এ.আই.সি.সিগী মেম্বর এম. ভুপেন্দনা হায়- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা থা ১৫ হেল্লবা ইরাং অসিগী য়েংলগা লমদম অসিদা অনা লায়েংগীদমক অখন্নবা শেন্থং ফাও পীথবা য়ারিবনি। মসিদা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ৩০ দগী সি.এম.ঐচ.টিগী খুদোংচাবশিং প্রাইভেট হোস্পিতালশিংদা লৈররোই হায়রিবা অসি লাইরবা মীয়ামদা হেন্না অৱাবা পীবনি। হায়রিবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা অসি মখা তানা লৈহনবা তঙাইফদে।

মহাকা হায়- ঙরাং ফমখিবা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দল মীফমনা জ্দিসিয়েল একাদমিগা মরী লৈননা পোষ্ট ১০ লৌগদবা অদু পোষ্ট ৮ দা হন্থরকপা লাইবক থিবনি।

অমরোমদা, লমদম অসিগী মহৈরোইশিংবু কম্পিতিতিভ একজামশিংগীদমক কোচিং তৌনবা প্রাইভেট কোচিং ইন্সটিট্যুট অনিখক্তমক মমিং পল্লকপা অসি খন্ননিঙাই ওইরি। ঐখোয়গী য়েলহৌমী মীয়াম্বু কন্ননবা অনা লায়েংগী অখন্নবা শেন্থুং অমদি মীপুম খুদিংমক্তা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা মতিক চানা ফংহনবা তঙাইফদে।

লাইওন্স (এল)ঃ লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল লৈমরোলগী ১৮ শুবা চার্টর নাইট সেলেব্রেসন ঙসি হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা লাইওন সিমফোনি ভোল্যুম ১৬ ফোংবগা লোয়নননা চার্তর মেম্বরশিং ইকায় খুমবা উৎখি।

চার্তর নাইট সেলেব্রেসন পাঙথোক্লিবা অসিগী মতাংদা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল লৈমরোলগী সেক্রেটরি এস. সনায়ানবীনা হায়- অকোইবগী খল ঙাকপদা খরদা ওইরবসু মতেং পাংনবা পান্দমদা লাইওন্স ওফ লৈমরোলনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা উ চারাশিং থাখি।

ঙসিগী থৌরমদুদা এম.এল.এ- থাংজম অরুনকুমার, কে.ঐচ. ইবোমচা অমদি লাইওন্স ক্লবকী দিষ্ট্রিক্ট গর্ভনর, দিষ্ট্রিক্ট ৩২২-দি টি.ঐচ. কেশো সিংহ শরুক য়াখি।

ড্রগ (এল)ঃ ড্রগনা চাডনা শোকহল্লবা মণিদুরদা ওভরদোজনা লৈখিদবা কয়া য়াওরিবা অসি ঙাকথোকবা মালেমগী ওভরদোজ খঙমিন্নবা নুমিৎ ঙসি সোসিয়েল এৱারনেস সার্ভিস ওর্গনাইজেসন (সাসো)না কৃপা ফাউন্দেসন, মণিপুর নেটৱার্ক ওফ পোজিতিভ পিপল অমদি কেয়ার ফাউন্দেসন মণিপুরগা খুৎশমদুনরগা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা জেনিমসকী প্রোফেসারশিং ডাঃ খুমুকচম লোকেশ্বর, ডাঃ কোইজম শান্তিবালা, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী প্রোফেসার এম.সি. অরুন, মেক্সকী দিপ্যুতি দাইরেক্তর বিমা হাওবিজম অমদি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী ইদিটর খোগেন্দ্র খোমদ্রামনা দাইস মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরমদুদা প্রোফেসার এম.সি. অরুন্না ড্রগ শিজিন্নবগী মরম অসি সমাজগী অশোইবা লৈরিবশিং অসিনসু অচৌবা মরম অমনি হায়না ফোংদোকখি।

পান্থোই (এল)ঃ ভারতকী নুপীগী ফুটবোল টিমগী গোল কিপ্পর অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মেত্রো য়ুনাইতেদ ৱিমেন এফ.সিগী গোল কিপ্পর ওইরিবী এলাংবম পান্থোই চনু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী প্রাক্তিসিং জ্নিয়র হাইস্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা পান্থোইনা হায়- অৱাবা কয়া থেংনরবসু, মায়থিবা কয়া মায়োকরবসু মহাকা পামজবা পান্দম ফংনবা হোৎনদুনা লাকখি। মহাকা হায়- হোৎনববু লেপত্রবদি ইশা ইশানা পামজবা পান্দম অদু ফংবা ঙমগনি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এন্থ্রোপোলোজি লিংখৎখিবা ঙসি চহি ৪০ মপুং ফারে। দিপার্টমেন্ট অসি ইং কুমজা ১৯৮৪ গী ওগষ্ট ৩১ দা লিংখৎখিবনি। ঙসিদি দিপার্টমেন্ট অসি ভারতকী ওইনা, অখন্ননা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা ওন্থ্রোপোলোজিকেল রিছার্স অমসুং ইজ্কেসনগী মাংজিল থাবা সেন্তর অমা ওইরে হায়রি।

কলেজ (এল)ঃ নেসনেল এসেসমেন্ট এন্দ এক্রিদিতেসন কাউন্সিল (নাক)না ইম্ফাল ৱেষ্টকী মোংশাংগৈদা লৈবা টি.এস. পোল মণিপুর ৱিমেন্স কলেজবু বি প্লস গ্রেদ পীরক্লে। কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল থিয়াম নন্দিতা দেবীনা থোকপা চরোল অমনা হায়- কলেজ অসিবু বি প্লস গ্রেদ পীরকপা অসি কলেজ অসিনা হৌখিবা চহি খরদা তৌখিবা শিংথানিঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়াবু শক খঙদুনা পীরকপনি। মসিনা কলেজ অসিনা মহৈ মশিংগী লমদা অফবা মহৈরোইশিং পুথোকবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

উ থাবা (এল)ঃ  ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ চীংঙা মখা হাইস্কুল অমদি চীংঙা মথক য়ং লার্নরস ক্লব অনিনা পুন্না শিন্দুনা উ চারা থাবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। স্কুল অসিগী এসিষ্টেন্ট হেদ মিষ্ট্রেস থোকচোম রেনু দেবী, জেদ.ই.ও জোন ৱানগী দি.আই অমসুং কোওর্দিনেতর য়ুথ এন্দ ক্লব ফোর মিসন লাইফকা খুৎশমরগা ইম্ফালগী পিশুম চীংঙা মচাদা উ চারা থাবগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী এক পের মা কে নাম হায়বা কেম্পেনগী মখাদা পুন্না উ চারা কয়ামরুম থাখি।

এৱারনেস (এল)ঃ  নিউ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন শিংজমৈনা শিন্দুনা অয়ুসমান ভারত হেলথ এক্কাউন্ট- অভা কার্দ শেন্বা অমসুং আয়ুসকী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেল কম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। সরকারগী হোস্পিতালশিংদা অনা লায়েংগী থবক্তা অভা কার্দ পায়রবদি শেল তিংদনা লায়েংবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। অসিগুম্বা খুদোংচাবশিং মীয়ামা ইখঙ খঙন্দবগুম তৌরিবা অসি মমুৎ তানা খঙহন্নবা পান্দমদা অভা কার্দ শাবগী কেম্পেন অদু পাঙথোকপনি হায়রি। ঙসিগী কেম্পেন অদুদা পুন্না মীওই ৩০০ হেনবগী অভা কার্দ শাখি অদুগা লেমা লায়েংবগী কেম্প অদুদনা পুন্না মীওই ২৫০ হেন্না লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকশিংসু লেমা য়েন্থোকখি।

মোদি ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- নুপীশিংবু ওৎ নৈবা অমসুং অঙাংশিংবু অশোই অঙাম থোকহন্দবা হায়বসি ঙসিগী খুন্নাই অসিগী য়ামা মরুওইবা ৱাফম অমা ওইরি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট জ্‌দিসিয়ারিগী নুমিৎ নিনিগী মীফম হৌদোকবা তুংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- নুপীশিংবু অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অকনবা আইন কয়া শেম্লে অদুবু আইনশিং অসি হেন্না মতিং লৈহনবগী তঙাইফদবা লৈরি। মহাকা হায়- নুপীদা চথবা হিংশাগা মরী লৈনবা কেসশিংগী ৱারেপ থুনা লৌরিবা

মখৈ নুপীশিংবু অশোই অঙাম থোকপগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি। মহাকা হায়- অমৃতকালগী মতম অসিদা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ১৪০ গী মঙলানদি চাওখৎপা ভারত, অনৌবা ভারত অমা হায়বসিনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা বন্দে ভারত রেল গাড়ি অহুম লমথাখ্রে। রেল গাড়িশিং অদুদি- মিরট-লখনৌ, মদুরাই-বেঙ্গলুরু অমসুং চেন্নাই-নাগরকোইলনি। থৌরমদুদা শ্রী মোদিনা হায়- ঙসি অৱাংদগী খা ফাওবদা ভারতকী চাওখৎপগী খোঙচৎতা অনৌবা পন্দুপ অমা হাপচিল্লে।

মহাকা হায়- লৈবাক অসিনা বিক্সিত ভারত ওইনবা পান্দম অদুদা তপা তপা চংশিল্লক্লি। ঙসি হৌদোক্লিবা অনৌবা বন্দে ভারত রেল গাড়ি অসিনা মরুওইবা অমসুং ঐতিহাসিক ওইরবা সহরশিং শমহল্লগনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা হৌজিক বন্দে ভারত রেলৱে সার্ভিস ১০২ মথৌ তৌরি। রেলৱে ষ্টেসনশিং অওনবা পুরকপগী থবক চত্থবগা লোয়ননা অপিক অপিকপা রেলৱে ষ্টেসনশিং এয়ারপোর্টকুমা অনৌবা মওংদা ফগৎহনবগী থবক চত্থরি। শ্রী মোদিনা হায়- হন্দক চহিগী শেনবা চহি অসিদা তামিলনাদুগী রেল বজেৎ ওইনা লুপা কোতি লিশিং ৬ খাক্তুনা থল্লে। ইং কুমজা ২০১৪ দা থমখিবা শেনফম অদুদগী শরুক ৭ হেল্লবনি।

------